# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-10-2024)**

১) অরুনাচল প্রদেশকী তৱাংদা ঙসি মেজর বোবখতিংগী মীংদা শাবা ম্যুজিয়ম কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা শঙ্গারগনি।

২) ভারতকী অহানবা গৃহ মন্ত্রি সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী মপোক নুমিৎপু ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা রাষ্ট্রিয়া এক্তা দিবস (নেসনেল য়ুনিতি ডে) হায়না পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাদা থি হুম্বগী থবক চখবদা রোকেট ১০ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

------

অরুনাচল ঃ অরুনাচল প্রদেশকী তৱাংদা ঙসি মেজর বোবখতিংগী মীংদা শাবা ম্যুজিয়ম কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা শঙ্গারগনি।

মেজর বোবখতিং ম্যুজিয়ম ওফ ভেলর অমসুং সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী মুর্তি শ্রী রাজনাথ সিংহনা শঙ্গাগনি অমসুং মায়খুম হাংদোক্কনি।

থৌরমদুদা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস অমসুং মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ, অরুনাচল প্রদেশকী রাজ্যপাল লেফটনেন্ট জেনেরেল কে.টি. পরনাইক, মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দু, উপ-মুখ্য মন্ত্রি চৌনা মৈন শরুক য়াগনি।

থৌরম অসি য়াওননবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, পি.ঐচ.ই মন্ত্রি এল. শুশিন্দ্রো অমদি এম.এল.এশিং অরুনাচল প্রদেশতা ঙরাং থুংখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা অরুনাচল প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দুনা হায়- মেজর রালেংনাউ বোবখতিংনা থৌনা ফনা ইং কুমজা ১৯৫১ গী ফেব্রুৱারিদা তৱাংবু ভারত লৈঙাক সাসনগী মনুংদা পুরকবা থৌনা ফনা চৎখিবা এক্সপিদিসন অদু মীওইবগী ইতিহাসনা চাংদমবা কৈদৌনুংদা য়ারোই। মহাকা হায়- আইরন মেন হায়রগসু খঙনবা ভারতকী অহানবা গৃহ মন্ত্রি সরদার ভল্লবভাই পাতেলনা নিংথৌ পানবা লৈবাকশিংবু পুনশিন্নবা হোৎনরম্ববুসু কৈদৌনুংদা কাউবা ঙমলোই।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়- অরুনাচল প্রদেশকী মীয়ামা মহাক অমসুং মন্ত্রি-এম.এল.এশিংবু তরামা ওক্লম্বা অদুদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি। শ্রী বিরেন্না হায়- অরুনাচলগী মীয়ামা হরাউ তয়ামা মখোয়বু ওক্লম্বা অসিনা অমত্তা ওইবগী শক্তম অদু উৎলি। সমুদ্রগী ঈমায়দগী ফুট লিশিং ১৩ হেন্না ৱাংবা মফমদা শাবা সেলা তন্নেল ফাওদুনা চৎপদা নুংঙাইবা পোকই হায়রদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- তন্নেল অসিনা লম্বী চৎপগী মতম তেনশিনহনবতা নত্তনা মঙলান অমা মঙফাওনহনবগা চপ মান্নে। মুখ্য মন্ত্রিনা অরুনাচল প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দুনা তৱাংদা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি।

রাজনাথ ঃ কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অরুনাচল প্রদেশকী নুমিৎ নিনি খোঙচৎ মনুংদা লান্মী মীওইশিংগা উন্নগনি। শ্রী রাজনাথনা ঙরাং তেজপুরদা পাঙথোকপা লান্মীগী বরা খানাদা শরুক য়াখি।

পাতেল (এল)ঃ ভারতকী অহানবা গৃহ মন্ত্রি সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী মপোক নুমিৎপু ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা রাষ্ট্রিয়া এক্তা দিবস (নেসনেল য়ুনিতি ডে) হায়না পাঙথোক্লি।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসি রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা পৱার, ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ শরুক য়াগনি। রাষ্টিয়া এক্তা দিবসকী

ৱাশক লৌবনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

দিৱালি (এল)ঃ  লাক্লিবা দিৱালি কুম্মৈগা মরী লৈননা জিরিবাম জিলাদা বোম্বুলা য়োন অমসুং থাবা থিংখ্রে। জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট টি.ঐচ. মনোরঞ্জন সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্ষাগী ফিভম অসিদা মীয়ামদা চমমবা থোক্তনবা হায়রিবা অথিংবা অসি থম্বনি।

মৈ (এল)ঃ  এম.এস.পি.দি.সি.এলনা মৈ লান্না শিজিন্নবশিং ফাননবা খোঙজং মখা তানা চথুরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং বিষ্ণুপুর দিভিজনদগী মীওই ৬, ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন থ্রিদগী মীওই ৫ পুন্না মীওই ১১ মৈ হুরাল্লগা থাল্লম্বগীদমক ফাগৎখি। মসিগী মথক্তা মৈগী খাজনা থিদবা কঞ্জুমর ৩৩ গী মৈ ককথৎলে হায়রি।

কেন্সর (এল)ঃ  ব্রেষ্ট কেন্সর এৱারনেস মন্থকা মরী লৈননা য়ুমাম হুইদ্রোমদা লৈবা ময়াই লম্বী কলেজদা ঙরাং থৌরম পাঙথোকখ্রে। এন.সি.দি সেল কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তর ৱাংগোইনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মখাদা থৌরম অদু নো ৱান সুদ ফেস দিজ বেত্তল এলোন হায়বা হিরমদা পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মীওই ৪০ রোম স্ক্রিনিং তৌখি।

ডে (এল)ঃ  ৱার্ল্ড মেন্দেল হেলথ ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোক্কনি। ইট ইজ টাইম টু প্রায়রতাইস মেন্টেল হেলথ ইন দ ৱার্ক প্লেস হায়বা হিরমদা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি।

পুলিস (এল)ঃ  মণিপুর পুলিসনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা লেপ্পা লৈতনা থি হুম্বগী থবক চথুরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী থাংজিং চীংশাংগী পাংজাং খুলদা থি হুম্বগী থবক চথুবদা ফুট ৮ লোম শাংবা

রোকেট ৮, ফুট ৭ লোম শাংবা রোকেট ২, অচৌবা কন্ত্রি মেদ মোর্তার ২, ময়াই ওইরপ্পা কন্ত্রি মেদ মোর্তার ১, শেমদোক্লবা মোর্তার বোম ৩, রেদিও সেট ১, কন্ত্রি মেদ গ্রেনেদ ২ ফাগৎপা ঙমলে।

মণিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেনদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২০১ অমসুং নেসনেল হাইৱে টুদা গাড়ি ৩৫১ অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে।

এআর (এল)ঃ অককবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী য়াংগৌবুংদা থি হুন্বগী থবক চথবদা প্রিপাক (প্রো)নি হায়বা মীওই অমা ফারে। অতোপ্পা ওপরেসন অমদা পি.এল.এগী মীওই অনি অমসু ফারে হায়রি। ফারবা মীওইশিং অমদি খুৎলায়শিং মণিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা, কামজোং জিলাগী নমপিসাদা কম্পনি কম্মান্দর উন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ২০ হেনবনা শরুক য়াখি।

ড্রগ ঃ লাক্লিবা হরাউ কুম্মৈশিংগী মাংওইননা অসাম রাইফলসনা চথখিবা ওপরেসনদা ঙরাং ৱেষ্ট ত্রিপুরা জিলাগী নরংবারিদগী লুপা কোতি ১৮ গী য়াবা টেব্লেৎ ফারে। অককবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসনা চথখিবা ওপরেসন অদুদা মীওই অমদগী অন্তরজাতিগী কৈথেলদা লুপা কোতি ১৮ লোমগী মমল ওইগদবা য়াবা টেব্লেৎ লিশিং ৯০ ফাগৎপা ঙমখিবনি।

ফারবা পোৎলম অমদি মীওই অদু দাইরেক্তোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্তেলিজেন্স আগরতালাদা মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসনা হায়- এন্তি ড্রগ ওপরেসন মখা তানা চথখিগনি। মমাং থাদা অসাম রাইফলসনা ত্রিপুরাগী খায়েপুরদগী য়াবা টেব্লেৎ লাখ ২ লিশিং ৬০ ফাগৎপা লৈখ্রবনি।

নাগালেন্দ ঃ ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসন (ই.এন.পি.ও)না তোঙানবা ফ্রন্তিয়ার নাগা তেরিতোরি অমা শেমবা দাবী তৌরিবা অদু নাগালেন্দ

সরকারনা কেন্দ্র সরকারদা প্রস্তাব তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

কোহিমাদা লৈবা নাগালেন্দ সিভিল সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা নাগালেন্দগী মন্ত্রি কে.জি. কেনয়ে অমসুং সরকারগী মচিন চৎপা মীশক সি.এল. জোন্না ৱাফম অসি পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবনি। শ্রী কেনয়েনা হায়- রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম অদুদা ই.এন.পি.ওগী দাবী অদুনা মরুওইনা খন্নখি। মহাকা হায়- নাগালেন্দগী ফেক জিলাদা লৈরিবা মেলুরি কাংলুপশিংগী অনৌবা জিলা শেমবসু মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখে।

ফুটবোল (এল)ঃ ৱঙ্গলাদেশনা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) ৱিমেন্স চেম্পিয়নসিপ লৌরে। ঙরাং নেপালগী কাঠমন্দু দসরথ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেলদা মমাংগী চেম্পিয়ন বঙ্গলাদেশনা নেপালবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখিবনি। বঙ্গলাদেশনা পাকিস্তানবু অমসুং নেপালনা ভারতপু থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নিংঙোল চাক্কৌবগী মমাংদা লৈঙাক্কী খুদোল, রিলিফ কেম্পতা লৈবশিংগী ক্রোর মঙা কাইথোকখিবা, লিয়াংমৈগী নাৎকী কুম্হৈ চগা ঙি পাঙথোকবা অমদি মেজর বোবখতিংগী ম্যুজিয়ম শঙ্গারগনি হায়বা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

নিংঙোল চাক্কৌবগী মমাংদা লৈঙাক্কী খুদোল, রিলিফ কেম্পতা লৈবশিংগী ক্রোর মঙা কাইথোকখ্রেঃ সি.এম হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী হন্দিসনদা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। পাউ অসিগী মখাদা সব-হেদলাইন ওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মীনা চিকা চাইনবা ঙমদ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোংদা লিয়াংমৈগী নাৎকী কুম্হৈ চগা ঙি পাঙথোকখ্রে হায়না তমেংলোংদা ফোংবা তমেংলোং টাইমস অমদি গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ

ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু ফোংলি।

কৈবুল লমজাউ নেসনেল পার্কতা ঙানু মখল ১৮ অমদি কাঙা মখল অনি চাক্তাবা থেংনরে হায়বা পাউ অমা মণিপুর নিউজদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মেজর বোবখতিং ম্যুজিয়ম ঙসি রাজনাথনা ওনলাইনদা শঙ্গারগনি, সি.এম. বিরেন অমসুং এম.এল.এ ৮ সু অরুনাচল প্রদেশতা থুংখ্রে হায়না সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

মণিপুর গর্ভনমেন্টনা চৎনবা য়াবা য়ুনিফোর্ম লেন্দ লো অমা শেমগদবনি হায়বা এম.এম.টি.য়ুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমনা পোকফমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আর্মিনা য়ার্ন বেঙ্ক অমা হাংদোকখ্রে হায়না মণিপুর মেলদা ফোংলি।

রোংমৈগী খুলবু রিজার্ভ ফোরেষ্টতা য়াওহনবা য়ারোই হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কোম্বিং ওপরেসনদা রোকেট অমদি মোর্তার বোম কয়া ফাগৎখ্রে হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা ফোংলি।

কদাংবন্দগী য়ুম অনিগী কারক্তা বোম পোকখায়হল্লকখ্রে, কুকি তেরোরিষ্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নৱা শিন্নদৱা খঙদ্রি হায়না হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আই.পি.এফ অমদি জোরোনা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিমগী মায়োক্তা লৈরি হায়না পিপলস ক্রোনিকলদা ফোংলি।

ৱার্ল্ড সাইট ডে পাঙথোকখ্রে, মালেমগী অপুনবা মীশিংগী শরুক তঙ্খায় অমদি অনোক শিজিন্নরি হায়বা মিনিষ্টর রঞ্জন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা ঈচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ ওইনা নহারোলগী থৌদাংদা অঙাংশিংগী মীৎ ফনা থম্বদা মমা মপা অমদি ওজাশিংগী থৌদাং চাউই হায়বা মিনিষ্টর রঞ্জনগী ৱাফম অমনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------